



*রুসিয়াগী ৱার্ল্ড কপতা ইংলেন্দবু সেমি ফাইনেল য়ৌহনখিবদা চাউনা মতেং পাঙখিবা ইংলেন্দগী ক্লব লৈকেস্টর সিটিদা চহী মঙাগী কোন্ত্রেক সাইন তৌখ্রবা হেরি মেগুইয়র*

*থাইলেন্দগী ক্লব লামপাং এফ সিগা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকি প্রি সিজন মেটচ অমদা পাঞ্জল ৬–২দা মায়থিবা পীবা চেন্নাই সিটি এফসিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনখিবা মোদৌ সৌগৌ*



## জপানগী ওসাকানা যুএসকী সেরেনা থোইদুনা অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে, মিক্স দবলসকী টাইটল বেথানি অমসুং মুরেনা ফংখ্রে

*নিউ য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ*

জপানগী নাওমী ওসাকানা যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মস মায়থিবা পীদুনা যু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকি নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখ্রে। মিক্স দবলসকী টাইটলনা যুএসএগী বেথানি মাটেক সেন্দস অমসুং বৃটেনগী জেমী মুরেনা ফংখ্রে।

যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ২০শুবা সিদেদ জপানগী নাওমী ওসাকানা ১৭শুবা সিদেদ যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি জপানগী নাওমী ওসাকানা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ১৪শুবা সিদেদ যুএসকী মেদিসন কিজবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা ঙসি ফাইনেলদা ওসাকাগা শান্নখিবা যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ১৯শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোবু ৬–৩, ৬–০ দা থোইরমখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী জপানগী নাওমী ওসাকানা যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মসপু লাকশিন্দুনা শান্নরকখি।

অহানবা সেট অদুদা জপানগী নাওমী ওসাকানা য়াম্না ফজনা শান্নখিবদগী মমাঙদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবী যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা যুএসকী সেরেনা ৱিলিয়মসকী মায়কৈদগী চেকশিন্না শান্নরক্তুনা জপানগী নাওমী ওসাকাবু নীংথিনা পাউখুম পীবা হৌরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা মশাগী চহী ২০ দা ঙাইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকানা ফজনা শান্নরকপদগী সেরেনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা অনীশুবা সেট অদু ৬–৪ দা থোইদুনা ওসাকাগী কেরিয়রদা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা যুএসকী বেথানি মাটেক সেন্দস অমসুং বৃটেনগী জেমী মুরেনা পোলেন্দগী এলিকজা রোলোস্কা অমসুং ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিকপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট পোলেন্দগী এলিকজা রোলোস্কা অমসুং ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিকনা যুএসকী বেথানি অমসুং জেমী মুরেগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা শোখরবা যুএসকী বেথানি মাটেক সেন্দস অমসুং বৃটেনগী জেমী মুরেনা কন্না হোৎনরক্তুনা পোলেন্দগী এলিকজা রোলোস্কা অমসুং ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিকগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা সেট ওইখিবা সুপর টাই ব্রেক্তা পেয়র অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং যুএসকী বেথানি মাটেক সেন্দস অমসুং বৃটেনগী জেমী মুরেনা পোলেন্দগী এলিকজা রোলোস্কা অমসুং ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিকসু ১১–৯ দা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

যুএস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলগী ঙসি অথেংবদা আর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রো অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিচ শান্নরগনি।



*যুএস ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন জপানগী ওসাকা (ওই) অমদি রন্নর্স অপ যুএসকী সেরেনা*



*যুএস ওপনগী মিক্স দবলসকী চেম্পিয়ন জেমী মুরে অমদি বেথানি মাটেক*

## ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীরম্লগা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপকী সেমি ফাইনেলদা পাকিস্টানগা শান্নরগনি



*ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ*

বাংলাদেসনা য়ুম্ফু ওইদুনা চথরিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বি গী অরোইবা লীগ মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপকি মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেলদা পাকিস্টানগা শান্নরগনি।

ধাকাদা লৈবা বঙ্গবন্ধু নেস্নেল ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়া অমসুং মালদিপ্সনা শান্নখিবা গ্রুপ বি গী অরোইবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অহানবা হাল্ফকি মিনিট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফরুকনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট নিখিল পুজারিনা বোল অদু নিংথিনা কল্লেক্ট তৌরগা মালদিপ্সকি গোলকিপ্পর মায়থিবা পীদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল পায়বগী চাং ৱাংখি। মতম খরা মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪৪শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা নিখিল পুজারিনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট মনভির সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু ২–০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

নিংশিংবা য়াই, সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপ ২০১৮গী গ্রুপ বি গী মমাঙদা ইন্দিয়ানা শান্নখিবা অহানবা লীগ মেটচতা শ্রী লঙ্কাবু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীরমখি। ইন্দিয়াগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩৩শুবা মিনিটতা কুরুনিয়ানা অহানবা অদুগা ৪৭শুবা মিনিটতা চাঙটেনা অনিশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং মালদিপ্সনা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচ অদুগী অনিশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মায়কৈ অনিদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখি। মালদিপ্সকি শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা বোল তোইনা তোইনা পুশিন্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নিংথিনা মায়োক্নখিবদগী পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু মালদিপ্সনা শোথখিবা পাঞ্জল অনি অদু হন্দোকপা ঙমখিবদবা অমদি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা মালদিপ্সপু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপকি মকোক ওইদুনাসেমি ফাইনেলদা পাকিস্টানগা শান্নরগনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ঙসি ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থিহৌবা মালদিপ্স গ্রুপকি অনিশুবা পোজিসন তাদুনা গ্রুপ এ গী মকোক নেপালগা শান্নরগনি।

## আই এস এস এফ চেম্পিয়নসিপকি ১০নি চনবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মেদল অমত্তা ফংদবদগী মরিশুবা মফমদা হায়থখ্রে

চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ

সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চথরিবা ইন্টরনেস্নেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদেরসন ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপকি ১০নি চনবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমদবদগী চেম্পিয়নসিপ অসিগী মরিশুবা মফমদা হায়থখ্রে।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অসিদা চাইনানা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স ঙসি পীবা ঙমদুনা মেদল কয়া লৌখিবদগী মেদল টেল্লিদা অহুমশুবা মফম কন্দুনা লৈরম্বদগী পুম্নমক্কি মকোক থোংবা লৈবাক ওইবা ঙমখ্রে। চাইনানা গোল্ড ৯, সিলভর ১১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ অপুনবা মেদল ২৪ ফংদুনা কোরিয়া অমসুং ইন্দিয়াদগী হেনবা ঙমখিবদগী লৈবাক পুম্নমক্তগী মকোক থোংবা লৈবাক ওইবা ঙমখিবনি।

ঙরাং ফাওবদদি ইন্দিয়ানা অপুনবা মেদল ২০ ফংবা ঙমদুনা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অসিগী অনিশুবা মফম কনবা ঙম্বা লৈবাক ওইখিবনি। মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র অমসুং নুপী জুনিয়র সুট্টরশিংনা শান্নবগী অথোই অহেন চাংদম্নবদা থাক য়াম্না হন্থবা পর্ফোমেন্স পীখি।

জুনিয়র নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা ঙসি খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স পীখিবা অসি সুট্টর পৃথিবীরাজ দিলিপ অয়াচিনা পোইন্ট ৬১৪.৯ ফংদুনা ১৫শুবা মফম কনখিবা অদুনা ওইখি। অমরোদা মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন জুনিয়র ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর ভক্তি বাস্কর খমকরনা পোইন্ট ৬১৩.৬ ফংদুনা ২২শুবা মফমদা লৈহৌখি।

নুপাগী রেপিদ ফাইয়র পিষ্টোল ইভেন্টতসু ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা ঙসি উৎখিবা পর্ফোমেন্স খুদিংমক ইন্দিয়া টিমগী ওইনা নিংবা কায়নিঙাই ওইখি। কম্মনৱেল্থ গেমসকি গোল্ড মেদলিষ্ট অনিস ভনৱালানা পোইন্ট২৮৯ খক ফংদুনা ইভেন্ট অসিগী ২২শুবা মফমদা লৈহৌখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা অতোপ্প ইন্দিয়াগী ওলিম্পিয়াদ সুট্টর গুরপ্রিট সিংহনা পোইন্ট২৮৫ অমসুং সিভম সুখলানা পোইন্ট ২৮১ ফংদুনা মথংশিংনা ৪৩শুবা অমসুং ৫৫শুবা মফমদা লৈহৌখি।

নুপাগী জুনিয়র রেপিদ ফায়র ইভেন্টসু য়াম্না নিংবা কায়নিঙাই ওইনা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনহাদ জৱন্দানা পোইন্ট ২৭৯, মনদীপ সিংহনসু পোইন্ট ২৭৯ অমসুং আদর্স সিংহনা পোইন্ট ২৭৩ ফংদুনা ২২শুবা, ২৩শুবা অমসুং ২৮শুবা মফমদা লৈহৌখি।

নুপাগী মিটর ৩০০গী রাইফল প্রোন ইভেন্টকি ইলিমিনেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অকাস কুমার রভিদাস অমসুং অমিট কুমারনা মথংশিংনা পোইন্ট ৫৬৭ অমসুং ৫৬২ ফংখিবদগী মখা তাবা রাউন্দ চংবা ঙমদনা লৈহৌরে।

পনবা য়াই, মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন নুপাগী জুনিয়র ইভেন্টতা নোরৱেগী সুট্টর বেনজামিন টিঙসরুদ কার্লসেননা পোইন্ট ৬১৯.৭ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। সিলভর মেদলনা হঙ্গেরিগী জালান পেকলরনা পোইন্ট ৬১৯.১ ফংদুনা লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা পোইন্ট ৬১৮.২ ফংবা ঙমখিবা যু এসকি ৱিলিয়ম সন্নরনা লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী রাফল প্রোন জুনিয়র টিম ইভেন্টতা নোরৱেনা টিমনা গোল্ড, ওষ্ট্রিয়া টিমনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদলনা রুসিয়া টিমনা ফংখি।

মিটর ৫০গী জুনিয়র ৫০ মিটর রাইফল প্রোন ইভেন্টতা চাইনাগী ঝাঙ কিওয়িংনা পোইন্ট ৬২২.২ ফংদুনা লৌখি। সিলভর মেদলনা ওষ্ট্রিয়াগী রেবেক্কা কোইকনা পোইন্ট ৬১৯.৫ ফংদুনা লৌখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা পোইন্ট ৬১৯.৩ ফংখিবা পোলেন্দগী এলেকসেন্দ্রা জুটকোনা লৌখি। নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন টিম ইভেন্টকি গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদলনা মথংশিংনা ওষ্ট্রিয়া টিম, চাইনা টিম অমসুং যু এস টিমনা লৌখি।

## ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলনা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইয়ুননা লৌখ্রে

*হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ*

অন্ধ্র প্রদেশকী সিটি হায়দরবাদতা থা অসিগী ৪ দগী চথরকপা হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা নম্বর ৱান সিদেদ ইন্দিয়াগী সমির বর্ম নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলনা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইয়ুননা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা মালেসিয়াগী সুং জু ভেনবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা মালেসিয়াগী সুং জু ভেনবু হিরম খুদিংমক্তা হেনখিবদগী ২১–১৫ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম অদুদা মালেসিয়াগী সুং জু ভেননা ইন্দিয়াগী সমির বর্মদা অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা সমির বর্মনা ফজনা শান্নবা ঙম্লকপদগী গেম অদু য়াম্না নক্নবা স্কোর ২১–১৮ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইয়ুননা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই হোং কোংগী দেং জুৱানবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং গেম ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম সাউথ কোরিয়াগী কিমনা হোং কোংগী দেংবু য়াম্না লায়না ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা হোং কোংগী দেংনা কন্না হোৎনরক্তুনা ২১–১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোই অনীমক হৌরকপদা পোইন্ট ইন্ন–ইন্নদুনা লাকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা সাউথ কোরিয়াগী কিম জু ইয়ুনগী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নরকপদগী হোং কোংগী দেং জুৱানবু ২১–১৭ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী সাটৱিকদসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দানেসিয়াগী আকবর বিন্টাং অমসুং মুহমদ রেজাবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৬, ২১–১৪ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ পেয়র হোং কোংগী ঙা য়াও অমসুং য়ুয়েন সিন য়িংনা মালেসিয়াগী পেয়র ভিভিয়ান যু কা মুন অমসুং য়াপ চেং ৱেনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৮, ১৬–২১, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

হায়দরবাদ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী প্রনভ চোপ্রা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দিবু ৬শুবা সিদেদ ইন্দানেসিয়াগী আকবর বিন্টাং অমসুং ৱিনি ওক্তাভিনানা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৫–২১, ২১–১৯, ২৫–২৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।



## লিয়েন্দর দবলসকী ফাইনেলদা মায়থিহৌরে

*ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৮ঃ*

যুএসকি সিটি সিকাগোদা চথরিবা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকি ফাইনেলদা মকোক থোংবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং মেক্সিকোগী মিগুয়েল এঞ্জেল রিয়েস–ভারেলা অনিশুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা বৃটেনগী লুক বামব্রিদজ অমসুং নেয়েল স্কুপসকিগী মখুৎতা ৬–৩,৬–৪দা মায়থিহৌরে।

ইন্দো– মেক্সিকান পেয়র অসিনা এটিপি পোইন্ট ৭৫ অমদি যুএস দোল্লর ৫৪০০ ফংখ্রে। চেম্পিয়ন ওইখ্রবা বৃটেনগী পেয়রনা পোইন্ট ১২৫ ফংদুনা যুএস দোল্লর ৯৩০০ শেলগী মনা ফংখ্রে।

## মুম্বাই সিটি এফ সিনা লম্পাংবু ৬–২দা থোইখ্রে

*সিয়াং মাইইন, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব মুম্বাই সিটি এফ সিনা থাইলেন্দগী ক্লব লম্পাং এফ সিবু ইন্দিয়ান সুপর লীগকি প্রি সিজন মেটচ ওইনা শান্নখিবদা পাঞ্জল ৬–২দা মায়থিবা পীখ্রে।

থাইলেন্দগী ক্লব লমপাং এফ সি থাই লীগ ২দা শান্নরিবা য়াম্না মরুওইবা টিম অমনি। ঙসিগী মেটচ অদুগা মুম্বাই সিটিগী এফসিগী মোদৌ সৌগৌনা পাঞ্জল ৪ শান্নবগী ১৪শুবা, ২৫শুবা,৫৩শুবা অমসুং ৬৮শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা রাফেল বাষ্টোস অমসুং ভুমিজনা পাঞ্জল অমমম চনখি। লমপাংগী পাঞ্জলশিংনা বেল অমসুং চোকনা চনবা ঙমখিবনি।

## য়ু ই এফএ নেসন্স লীগকী মেটচশিংদা স্পেননা ইংলেন্দবু ২–১দা থোইখ্রে, গ্রিসনা ইষ্টোনিয়াবু ১–০দা মায়থিবা পীখ্রে, লুজেম্বার্গনা মোলদোভা লাকথুরম্মে

*লন্দন, সেপ্টেম্বর ০৯ঃ*

য়ু ই এফ এ নেসন্স লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটশিংদা স্পেননা ইংলেন্দবু ২–১দা থোইখ্রে, গ্রীসনা ইষ্টোনিয়াবু পাঞ্জল ১–০দা মায়থিবা পীখ্রে অদুগা লুজেম্বার্গনা মোলদোভাবু ৪–১দা লাকথুখ্রে।

ঙসি লন্দনদা লৈবা ৱেমব্লি ষ্টেদিয়মদা ইংলেন্দ অমসুং স্পেননা শান্নখিবা লীগ এগী গ্রুপ ৪ মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌরকপদগী য়ুম্ফু ওইখিবা ইংলেন্দনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনিটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মার্কস রাসফোর্দনা মেটচকি অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা স্পেনবু ১–০দা হেন্দুনা চৎখি।

ইকুই কুইদনা মিনিট অনি লৈরগা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সোল নিগ্বেজনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনিমক পাঞ্জল অমমমদা মান্নখি।

শান্নবগী ৩২শুবা মিনিটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা এটেক অমদা রোদ্রিগোনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা স্পেননা য়ুম্ফু ওইখিবা ইংলেন্দবু ২–১দা হেন্দুনা লৈখি।

অনিশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনিমক য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী মায়কৈ অনিদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদুন স্পেননা ইংলেন্দবু ২–১দা মায়থিবা পীখিবনি।

য়ু ই এফ এ নেসন্স লীগ অসিগী লীগ সি গ্রুপ ৪গী মেটচ অমদা গ্রীসনা ইষ্টোনিয়াবু ১–০দা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু গ্রীসকি শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ১৪শুবদা চথরকখিবা এটেক অমদা কোন্সটেনটিনোস ফোরচুনিসনা পাঞ্জল চনদুনা ১–০দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবা লৈখি। অনিশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মায়কৈ অনিদগী মখা তানা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু গ্রীসনা ইষ্টোনিয়াবু ১–০দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী লীগ দি গ্রুপ ২ মেটচ অমদা লুজেম্বার্গনা মোলদোভাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০দা লাকথুদুনা মায় পাকখি। লুজেম্বার্গকি পাঞ্জলশিং দু কেভিন মালগেট (৩৪), ওলিভিয়র থিল (৬০), দানিয়েল সিনানি (৭৫) অমসুং খৃষ্টোফর মারটিন্সনা (৮৩)শুবা মিনিটতা চনখি।



*নেসন্স লীগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ল্যুক সো (ওই) না স্পেনগী দানি করভাজালদা ফাওল তৌখিবা*